| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 96.811909 |
| US Dollar | 85.108161 |
| British Pound | 115.361244 |
| Australian Dollar | 55.357838 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.842068 |
| Japanese Yen | 0.595411 |
| Malaysian Ringgit | 20.174912 |
| Singapore Dollar | 66.283923 |
| South Korean Won | 0.062105 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.695510 |
| Thai Baht | 2.607465 |

## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## GAS NEWS

**M/S R&H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Delivery
**Booking Upto 31/03/2025**
Valid from 25/03/25.
Office contact no.7353320254
Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**Stock 324nos.**

**Imphal LPG Service**
Home Delivery Only
**Booking Upto Date**
Office contact no. 9362654114
Whatsapp no. 9863624773
Time:8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg, 5kg, 19 kg

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
TIME: 09 AM TO 12 PM
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 8:30 AM TO 11:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL
8131942156 (SMS/Whatapp/ enquiry)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL
7628098544, 9089370369, 9774443052

**KHORIPHABA NAMBOL**
**Bk upto date**
Timing 7am to 10am

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO25/04/25**
VALID FROM 18/04/25 HOME DELIVERY ONLY CONTACT NO. 8259939561/9089709738 OFFICE TIMMING 8:AM TO11.30 AM WILL BE DELIVERY FOR THREE DAYS (5 kg Ujjwala Cylinder Available

**MANIPUR GAS SERVICE,**
**Booking 30/04/2025**
Valid from 15/04/2025
Home delivery only
Time: 8am to 2pm

**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto 01-05-25**
Only home delivery sarvice
Office no.9774068549
Home delivery contact no.8974511936
Message no.8974511936
**Stock.324**
Time 7.30am to 10.am

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 29/04/2025
**BOOKING UPTO: 07/05/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

## HL Poll

Q : Meeyamgi ihou laksinnaba Governerna athuba matamda meeyamga yasinnaba purakpana thokhanningdaba thoudoksing thokhandaba ngamloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Khoisaonaraba meeyam themjinnaba Governer AK Bhallana panthadana thabak paikhatpana Presidents Rule leingakki achumba oiroidra?

Yes 100% No 0%

## অস! লোইরেহে!

- মৌনা ঙরাং ঙানু থোংই, হাউজখ্রে।



- অহল ওইশিল্লকপসিদা ওকনা ফৎত্রো।

# ‘গভর্ণরনা লাল্লে হায়জগদবনি’ হায়বা ...

*লমায় ১গী মখা...* রাজ ভবনদা থুংখ্রে।

নুমিৎ নীনিগী জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিল্লবা মতুংদা ঙরাংদগী হৌনা রাজ ভবনদা থোমজিন্দুনা মখা তাবা খোঙজং চঙশিল্লকপগা লোয়ননা ঙসিসু য়াল্লবা মীয়াম্না গভর্ণরনা এয়রপোর্টতগী হল্লক্কদবা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা থোরক্তুনা হ্যমেন চ্যেন শেমদুনা খোল্লাও কয়া লাউরকপদগী লম্বী অসিদা হল্লকপা ঙমদদুনা আর্মিগী হেলিকোপ্টর অমদা কংলা ফাওবা লাল্লগা রাজ ভবনদা চঙখিবনি।

শিরুই লিলী ফেষ্টিবেল হৌদোক্লল্লবা মতুংদা চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহগা লোয়ননা দেল্লীদা চৎখিবা গভর্ণর ঙসি নুংথিল পুং ২ তারমদাইদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অদুম ওইনমক ঙরাংদগী হৌরকখিবা খোইশাওনরবা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা রাজ ভবনদগীনা এয়রপোর্ট ফাওবগী মরক্তা য়াল্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ঙাক শেনখ্রবসু শুপ্পতগী কিলোমিটর ৬ লোমদমক শাংলিবা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা হল্লকপা ঙমদবদগী হেলিকোপ্টরদা চৎখিবনি। থৌওং অসি গভর্ণরনা মীচেন অমগুম চেনখিগনি হায়বা থাজরুদে হায়না কোকোমিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরল্লি।

গভর্ণরনা ঙসি এয়রপোর্টতা থুংলগনি হায়বগী পাউ তাবদগী নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদগী হৌনা টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাকৈথেলদগী য়াল্লবা মীয়াম্না মরু ওইনা নুপীশিংনা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা পূনশিনবা হৌরকখি। এয়রপোর্টতগীনা রাজ ভবন ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা লম্বী পরিং অসিগী কৈশাম্পাৎতগী হৌরগা ঘড়ী ফাওবদা মীয়াম্না মণিপুরগী গভর্ণরনা লাল্লে হায়জগদবনি নৎত্রগা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি রিজাইন তৌগদবনি হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ইংলিস লোলদা ইবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা খোঙজং চঙশিনখি।

মীয়াম অদুবু পুলিসনা আর এ এফ অমদি অতোপ্পা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্নদুনা লাকশিন্নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস সেল কাপ্পা হৌরকখি অদুবু খোইশাওনরবা মীয়াম্না খোঙফম হন্দোক্তনা খোঙজং মখা চথরকপদগী এয়রপোর্টতা থুংলরবা গভর্ণর টিদ্দিম লম্বী পরিংদা হল্লকপা ঙমদবদগী আর্মিগী হেলিকোপ্টর অমনা কংলা ফাওবা পুরল্লগা রাজ ভবনদা চঙখিবনি।

টিদ্দিম লম্বী পরিংদা হল্লকপগী মহুত্তা হেলিকোপ্টর তোংদুনা রাজ ভবন তম্না চৎখ্রে হায়বগী পাউ তাবদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না গভর্ণরগী ইফিজি মৈ থাগনি হায়দুনা মৈ চুবা হৌরকপদা পুলিসনা মুন্দুনা পুখি।

ঙসিগী খোঙজং অসিগা মরী লৈননা কোকোমিগী কনভিনর ইন চার্জ (কো কনভিনর) ৱারেপম সেকেন্দনা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট বসতগী ‘মণিপুর’ হায়বা ৱাহৈ অসি মূত্থৎনবা গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি দি জি পি য়াওনা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা লৌখিবা ৱারেপ অদু পেন্দবদগী কোকোমিনা মীয়ামগা লোয়ননা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চঙশিনখ্রবা মতুংদা ৱারেপ অদু লাল্লে হায়না শেংদোক্কদবনি হায়না ঙরাংদগী খোঙজং চঙশিল্লকপনি।

গভর্ণরনা দেল্লীদগী হল্লক্কদবা লম্বীদা মীয়াম্না থোরক্তুনা মহাক্না এপোলোজি তৌগদবনি হায়না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা কোকোমি অমদি মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনবনি অদুবু পি আর মনুংসিদা মণিপুরবু লুচিংবীরিবা গভর্ণরনা মীচেন অমগুম চেনখিগনি হায়বসিদি কোকোমিনা থাজরুদে। গভর্ণরনা মহাক্কী মীয়াম্বু থেম্বগী মহুত্তা করেম্নবা অমসুং উশিত্তবগী মওংদা চথরকপসি কোকোমিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। গভর্ণরনা হেলিকোপ্টরদা চৎখিবসি পাঙদবনি হায়না লৌই। মহাকসু ফম থাদোক্কদবনি নৎত্রবদি মীয়াম্না হৌরকপা ঈহৌ থেংনজগদবনি হায়খি।

ঙসি চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিনা অরোইবা নত্তে হায়রদুনা মখা তানা গভর্ণরনা লাল্লে হায়জদ্রিবা ফাওবা হয়েংদগী মণিপুরদা লৈবা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুশনশিং থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংদসু দি সীশিংগী খূত্থাংদা মেমোরেন্দম পীশিল্লগনি। সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুশনশিং থিংজিনবদা এদ্যুকেশন, হেল্থ অমদি অতৈ ইন্সেন্সিএল সর্ভিসকী লোয়শঙশিংদি কোমথোক্কনি। মখা তাবা খোঙজংদসু মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

অমরোমদা কোকোমি ৱিমেন ৱিংগী কনভিনর আর কে থরাকস্নান হায়, গভর্ণরনা তেনখ্রবা লম্বী অসিদা হেলিকোপ্টর তোংদুনা চৎখিবা অসিনা মহাক মশানা মরাল লৈরে হায়বদু য়াজবগা চপ মান্নে। ঙসি ইমা ইবেলশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংসিদা গভর্ণরদা নুঙ লংশিনগদবা নৎত্রগা মখল অমত্তগী ভাইওলেন্স চথগদবা লৈতে। অদুবু হেলিকোপ্টর তোংদুনা চৎখিবা অসিনা ঐখোয়বু অমুক্কা হেন্না ইকায়বা পীবনি। ঐখোয়গী খোঙজং হন্দোক্লোই। গভর্ণরগী থৌওং অসিনা অমুক্কা হেন্না মৈ চুরে। ফরবসু ফৎত্রবসু গভর্ণর অমা ওইনা মহাক্না মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌগদবনি হায়খি।

## শীংজমৈ অপূনবা মৈরা লূপকী মৈরা খোঙচৎ...

*লমায় ১গী মখা...* লাউদ স্পিকর ফাওবা শীজিন্নদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অসি পুলিসনা থিংনবা হোৎনরকখি। অদুম ওইনমক পুলিসকা ৱাখল তামিন্নরবা মতুংদা মোইরাংখোম কৈথেল ফাওবা চৎখিবনি।

খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা থ্বালতাবীগী থৌদোক য়ানীংদে, মণিপুরগী শক্তমদা শীংনরকপা য়ারোই, চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর অমদি দি জি পি রিজাইন তৌগদবনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং শীজিন্নদুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবা য়ারোই হায়বনচিংবা খোল্লাওশিং লাউখি। খোঙজং অসিগা চপ মান্ননা য়াইরিপোক, খাগেম্পল্লি এরিয়াদসু নুপীশিংনা খূৎতা মৈরা পায়দুনা য়ানীংদবা খোঙচৎ চৎখি।

## ৱাংজিংগী মৈরা পায়বী, ...

*লমায় ১গী মখা...* লৈবা মৈরা পায়বীশিং, মোরেগী আই দি পিশিং অমদি থৌবালগী য়ু এম ওগী থৌমীশিংনা ঙসি অথোকপম কৈথেল ফাওবা রেল্লি অমা চৎলবা মতুংদা থৌবালগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। খোঙচৎ অদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মূত্থৎনবা হোৎনগনু, মণিপুরগী গভর্ণর খুদক্তা রিজাইন তৌগদবনি, গো বেক সেন্ত্রেল ফোর্সেস হায়না থাবা বেন্নর পায়দুনা লাকখিবনি। মীয়ামগী খোঙচৎ অদুনা দি সী ওফিস তম্না লাকপদা অথোকপম কৈথেলদা য়াল্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা থৎখি। অদুগা মীহুৎ খরা খনগৎতুনা দি সী হন্না কামৈগা উনহনখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী শান্তি কৌবী মৈরা পায়বী লুচিংবী অমনা হায়, চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লবা কাঙলূপকী লান অসিবু লোইশিন্নবা ৱাফম অমত্তা ঙসি ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হায়রক্ত্রি। অদুবু গভর্ণর য়াওনা পাঙথোকপা শিরুই ফেষ্টিবেলগী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা গাড়ীদা ‘মণিপুর’ হায়না থাই হায়বগীদমক অথিংবা পীরকখিবসি মমা ওইবীশিংনা পেন্দে। ইপা ইপু কয়ানা থৱায়না পোন্থা পীদুনা চহী লিশীং কয়াদগী ঙাক্লক্লিবা মণিপুরগী শক্তম মচেৎ অমা ফাওবা কায়হনবা য়ারোই হায়বা ফোঙদোক্লবগীদমক দি সীদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকপনি হায়খি।

## গভর্ণরনা রাজ ভবন ফাওবা ...

*লমায় ১গী মখা...* তোঙানবা মফমশিংদা ফিল্মগা মরী লৈনবা দাইলোগশিং পাঙথোকপদা মথৌ চিল্লি অমসুং মণিপুরবু মীরাইরগা ওপরেশন সিন্দুরবু পোলিটিসাইজ তৌনবা হোৎনরি হায়না মরল শীরকখ্রে।

জয়রাম রমেসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর চপ চানা ফেল ওইরে অমসুং মণিপুরদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম পুরকপা ঙমদ্রবা হোম মিনিষ্টর রিজাইন তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখ্রে। পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২০দা থ্বালতাবীদা ৪-মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা পাউমীশিংনা তোংবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা ‘মণিপুর’ হায়না থারিবা ষ্টেট অসিগী মমিং অসি মূত্থৎত্রবদি চৎপা য়ারোই হায়না অথিংবা পীরকপদগী কোকোমিনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চঙশিল্লবা মতুং ঙরাংদগী হৌরদুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা গভর্ণরনা মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়দুনা অকনবা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং চঙশিল্লকখিবনি।

AXIS BANK/ꯑꯦꯛꯁꯤꯁ ꯕꯦꯡꯛ

**Axis Bank invites proposals**

**for premises on lease / rent for its new branches / offices at various locations across the country.**

All interested parties may visit our website at the below mentioned link:

https://pfb.axisbank.co.in/property-lease/create

HL-B/9576/27

## জেনিমসকী রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংনা ...

*লমায় ১গী মখা...* পীরক্তবদগী ঙসিদগী পি জি তৌরিবা ডাক্তরশিংনা ইমর্জেন্সি য়াওনা কেজ্যুএলিটি সর্ভিস লেপ্পগী ৱারেপ লৌদুনা খোঙজং চঙশিনবা হৌবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, পি জি ডাক্তরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী মনুং চন্না ঙসিসু ও পি দিশিংদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিল্লি। পি জি তম্বগী ফী হান্নদগী খংহেন হেনগৎহল্লকপনা রেসিদেন্ট ডাক্তরশিংদা অদুক্কী মতিক খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। হৌজিক মণিপুরনা তংদু লৈতাদবা ফীভমদা লৈরিবা অমদি থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি ঐখোয়সু খঙদবা নত্তে অদুবু করিগুম্বা মাস কেজ্যুএলিটি য়াওরকপা মতমদদি চঙশিন্দুনা অনা-লায়েংগী থবক তৌগনি। অদুবু চহী অনী হেন্না তাল্লক্লিবা দিমান্দ অসিদা ওথোরিটিনা ষ্ট্রাইকনচিংবা খোঙজং চঙশিল্লক্তনবা হায়রকপদগী খাঙদুনা লাকখিবনি। হৌজিক পি জি থর্দ য়রগী এগজামিনেশন পাঙথোক্কদবা থা অনীরোমতা ঙাইশিল্লক্লে। মসিগী মমাঙদা পীফম থোকপা ফী পীথোকউ হায়দুনা অমুক হায়রল্লগনি। মরম অসিনা পি জি মহৈরোয়শিংগী য়েংবীদুনা ফী হেনগৎহনবগী খোঙথাং অসি হন্দোকপীয়ু হায়খি।

## রেলৱেগী টনেল...

*লমায় ১গী মখা...* লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা শিন্মী অদুগী মমিং সুরজ দাস (২০) অপোকপা লালবাবু দাস কৌই। জিরিবামগী জাকুরাধোর পার্ট টুদগীনি হায়রি। থৌদোক অসি ন্যু কৈথেলমানবী পি এসনা কোনবা সহৈবুং খুলগী মফম অমদা রেলৱেগী টনেল হুৎপদা থোকখিবনি হায়রি।

## মাঙ্গোলদা ...

*লমায় ১গী মখা...*অমা লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী মোইরাং পুলিসনা গ্রেৱাল রাইফলকা লাকমিন্নদুনা গ্রেনেদ অদু লৌখৎলবা মতুংদা ঙসি অয়ূক ক্বাক্তাগী লৌবুক-লক্ষ্মাং অমদা মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অসিবু ওল ক্বাক্তা য়ুঠ ভোলন্টরি ওর্গনাইজেশন, ওল ক্বাক্তা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, জামিয়া টুল-উলমা অমসুং অঞ্জুমান ইস্লা-ঈ-মুশ্রানা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

## ꯑꯃꯥꯡ/অৱাবা ফোঙদোকচবা



লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায় চাওখৎ থৌরাং মরুপকী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ওইনা কুমজা ২০১৩দগী ২০১৬ ফাওবা পুবিরম্বগা লোয়ননা মরুপ অসিগী চাওখৎনবা হোৎনবীরম্বা শ্রী য়ুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহনা মনুং মতম চাদনা ঐখোয় খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা মেগী তাং ২৩, ইরাই নুমিত্তা ঈশ্বরগী খুয়া খাদা তিনখিবদা মরুপ অসিগী কম্মিটিগী মীফম অমা ফমদুনা মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী খুয়া খাদা ঈংনা চিল্লা লৈরুনবা মরুপকী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তূমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

**অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :**
**Executive Committee Members**
L.M.M. Leikai Chaokhat Thourang Marup

HL-P/2205/27

## ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ/শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বা **শ্রী অরাঙ্বম মোতিলাল সিংহ**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লল্লগা হৌখিবা তাং ২২/০৫/২০২৫ ইং, কালেনগী ২৫নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা **শ্রী কৃষ্ণ চৈতন্য মদানা মোহন দাস** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৭/০৫/২০২৫ ইং, কালেনগী ৩০নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অষ্টি মার্জন লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ৪/০৬/২০২৫ ইং, ইঙাগী ৯নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চিরা উসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবা বৈষ্ণবগী অত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রহ্মণ বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চগদৌরি। পত্রনা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

ভেৎ কৎপা : অয়ুক পুং ৮:৩০
সঙ্কীর্ত্তন হৌবা : নুংথিল পুং ১২:১০

**বিনিতগণ :-অরাঙ্বম শ্রীমতি ইবেয়াইমা দেবী (মবোক)**
**অরাঙ্বম শোভাচন্দ্রা সিংহ (মপা)**
**অরাঙ্বম ওংবী শান্তিবালা দেবী (মমা)**
**অরাঙ্বম ওংবী মোধুবালা (অনা) দেবী (সহধর্ম্মিনী)**
শিংজমৈ মখা নাওরেম লৈকায়, লাইরেম্বী মনীং।

HL-P/2199/26,27

## তপ্পানা হায় : ফারগা জেলদা থম্লবসু ইমা লৈবাক মণিপুর...

*লমায় ১গী মখা...* পকশিন্দুনা তৌরল্লবসু ঈশৈ অসিগী ২০শুবা তাঙ্কক্তদি কুকি-জোশিংদা কা হেন্না অকনবা ৱাফম ফোঙদোকপা য়াওখিদ্রবনি। লান অসি অসুম কুইশিল্লল্লগা মসিবু মায়োক্লরিবা য়েলহৌমী ফূরুপশিংগী মরক্তা অহোবা কয়া লৈরকপা উরকপদগী মসোমদা ওইনা ওনশিন্দুনা ২০শুবা তাঙ্কক্কী ঈশৈসু পুথোকখিবনি।

ইনখৎলকপা পাখঙ লৈশাবীশিংগী নুংশি-নুংঙনগী ঈশৈ নত্তবনিনা থোইদোক্লা খোইজংনা তাবী-য়েংবীদবা মাল্লি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ভিয়ুৱর লাখ ১ রোমদি য়ৌরে। কুকি-জোশিংনা ঈশৈ অসিগী মায়োক্তা পুলিসতা ৱাকৎলল্লবসু ঈশৈ অসিগী ২১শুবা তাঙ্কক মথং থাগী ৫দা ফোঙননবা ঙরাং ফাওবদা রেকোর্দিং লোইশিনখ্রে। ইরমদম মণিপুর অমসুং ইরৈবাকচাশিং নুংশিজবগীদমক ঈশৈগী সিরিজ অসি লেপ্তুনা শল্লকপনি।

অদুগা হৌজিক ২১শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা পুথোক্কদৌরিবা ঈশৈ অসিদি মীয়াম মরু ওইনা মৈরা পায়বীশিং য়াওনা লান অসিগী মতাংদা হংনরকখিবা ৱাহংশিংগা মরী লৈনবা পাউখুমশিং পীবা ঈশৈ ওইগনি হায়রকখি।

কুমজা ১৯৯৬তা মহাক্কী ঈশৈ ‘পৱার ওফ এত্রেক্সন’ পুথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাকপু মীয়াম্না তপ্তা হায়না খঙনবীখিদে। মতম অদুগী মমাঙদসু ঈশৈ শকপদি অদুমক হৌরকখ্রে। অদুবু মতমদুদদি ৱারক্কী ঈশৈ ওইখিবনরা করিনো মীয়াম্না খঙবীখিদে। ঙসি ফাওবদা ঈশৈ ৫৫০ রোমগী মথক্তা শকখ্রে।

ঐগী ইচা পূন্না ৫নি। ইচানুপা ১ অমসুং ইচানুপী ৪নি। ইচানুপাদু ময়ূম পাল্লে, ইশু ২ লৈরে অদুগা ইচানুপী অমনা হন্দক্তা লান মনুংদা লুহোংখ্রে। মণিপুরগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা তমথীরবা লান অসিগী য়েংদুনা মসিবু হৌরকখিবা কুমজা ২০২৩দগী ঙসি ফাওবদা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম (কন্সর্ট) অমত্তদা শরুক য়ারক্ত্রি। ‘কুকিলেন্দ’ মিংথোনবা ঈশৈ শকপগী মতাংদা য়ূমদা পুলিস লাল্লম্বা য়াওখ্রে। অদুবু ঐদি মণিপুর অমসুং মণিপুর মীয়ামগীদমক য়েংলদুনা মখা তানা ঈশৈ শকখিগনি। কমপ্লেন্ট তৌরক্লে হায়দুনা পুলিসনা ফাবা লাল্লবসু মখোয়গী মাঙ থানা চৎতুনা জেলদা থাজিল্লবসু মীয়ামগীদমক ঈশৈ শকপা লেপখিরোই হায়রকখি।

পাউচে অসিনা মহাক মশাগী চহী কয়া শুরবগে হংবা ৱাহংগী পাউখুমদদি চহী ৫৯ শুরে হায়রকপগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা ‘কুকিলেন্দ’ মিংথোনবা ঈশৈ শল্লকপগীদমক পুলিসনা লৌখৎপা কেস অনী শুরে। অদুগা য়ূমদা পুলিস লাল্লম্বসু অনীরক শুরে হায়রকখি।

পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌরে হায়দুনা মণিপুর অমসুং লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক ঈশৈ শকপগী লেপ্লিবা খোঙফম অসিদগী হন্দোক্লোই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

## থ্বালতাবীদা সিফাইনা ‘মণিপুর’ মূত্থৎলু হায়রকপদা লম্লাইগী...

*লমায় ১গী মখা...*ৱাফম অসি মহাক্না মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা লানগী চৈথেং খ্বাইদগী কন্না নংখিবা লম্লাই এ সীগী মনুং চনবা সনাশাবী, শান্তিখোংবাল অমসুং থম্নাপোকপীগী রেদ জোন এরিয়াগী মনুংদা লৈরিবা ইমুং ২১০দা থেঙ্খাং নাইনা নোংমগী হিংবদা চঙদবা য়াদবা চান-থল্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙদুনা লাকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা খুল অহুমসিদা চৎতুনা ইমুংশিং অসিদা চান-থল্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা খোঙচৎতা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপী হায়রিবা খুল অসি থা অহুমলোমগী মমাঙদসু কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা এটেক তৌরকখিবা খুল অমনি। খুল অসিদা লান কল্লিঙৈগী মতমদা থা অমগী মনুংদা নুমিৎ ২৫নি চুপ্পা নোংমৈ কাপশিনখিবা মফম ওইবদগী হৌজিক ফাওবা রেদ জোনগী মনুং চনবনি হায়দুনা খঙনরল্লিবনি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইতবদি হন্দক থ্বালতাবীদা থোকখিবা থৌদোক অসি মহাক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়খি।

অদুবু থৌদোক অদুদা চেন্নবা ৪-মহার রেজিমেন্টশিংগী মথক্তা লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী বি জে পিগী এম এল এনা ৱাহৈ অমত্তা ফাওবা ফোঙদোরক্তবসি লাইবক থীবনি। ষ্টেট অসিগী বি জে পিগী এম এল এশিংনা সেন্টরগা ২৪/৭ পাউ ফাওনরি হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। সেন্টরগা পাউ ফাওনরিবা মখোয়না মণিপুরদা লৈজবা ঐখোয়না ‘মণিপুর’ থারগা চৎপদা মূত্থৎলগা চৎকদবনি হায়না সেন্ত্রেল ফোর্সনা চথরকখিবা থৌওং অদুগী মায়োক্তা লম্লাই এ সীগী বি জে পিগী এম এল এনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রিবা করিগীনো অমসুং সিফাইশিং অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎত্রিবা করিগীনো হংখি।

সেন্টরদা পাল্লিবা নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিট শাহদা বি জে পিগী এম এল এনা ৱাহৈ অমত্তা হায়দ্রিবা করিগীনো হায়নসু হংলদুনা থ্বালতাবীগী থৌদোক অদুগী মায়োক্তা কোকোমিনা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিনখ্রে। মৈরা পায়বীশিংনা নুমিদাংগী মতমদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎলি। হ্যমেন চেন শেমদুনা তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি। গভর্ণরগী লৈফমদা থোমজিন্দুনা মণিপুরগী মীয়ামদা লাল্লে শেংদোক্কদবনি হায়বা খোল্লাও কয়া লাউরি।

অদুবু অসিগুম্বা থৌদোক অসিদা লম্লাই এ সীগী মরী লৈনরিবা এম এল এনা তূমিন্না লৈরিবা করিগীনো। থৌদোক অসি লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা থ্বালতাবীদা থোকখিবনিনা ৱাহৈ অমা ফাওবদি হায়ফম থোক্ত্রা হংলদুনা মণিপুর মূত্থৎপদা সপোর্ট তৌরব্রা হায়বসি চিংনবদা ঙমদে হায়খি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিগী বি জে পিগী এম এল এ মশীং য়াম্না লৈরগা খূৎশেমগী প্রসিদেন্টস রুল থমজিল্লক্লিবা করিগীনো হায়নসু হংলদুনা মেজোরিটি ওইনা ওইনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদবা হায়বসি মখোয় মশেল ফম মুন্নবদগী, মাগী-মাগী খক্তমক খনবদগী অমসুং মীয়ামগীদমক খন্দবদগীনি লৌই হায়খি।

মরম অসিনা থ্বালতাবীগী থৌদোক মতুংদগী হৌজিক থোরল্লিবা থৌদোকশিংগী তেকচাক সেন্টর অমদি মণিপুরগী বি জে পি অমসুং পার্টি অসিবু শৌগৎলিবশিংনা পুগদবনি হায়খি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গল : ৱার্কর ১৪৮দা পেন্সন পীরমদবগী ৱাথোক ...

*লমায় ১গী মখা...* পুল্লপ পূনশিনবীদুনা মখা তানা থবক তৌহল্লকখিবনি। অদুবু ঐখোয়না কুমজা ২০২৩দা সর্ভিসকী মতম লোইরদুনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা ম্যুনিসিপালিটি অসিগী পার্মিনেন্ট এমপ্লোয়ীশিং ওইহনবীরবা ঐখোয়গী ফংফম থোকপা থাগী পেন্সনশিং ম্যুনিসিপালিটি অসিনা পীবিদ্রে হায়বসিনি।

ৱার্কর ১৪৮না ফাইল তৌরল্লিবা ৱাকৎ অসি লৌখৎতুনা কোলকটা হায় কোর্টকী জষ্টিস গাওরাং কান্ঠনা পীখিবা রুলিং অমনা হায়, লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরম্বা মীওইশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা পীরিবা পেন্সন অসি চেরিটি অমা নত্তে। মখোয়না ফংফম থোকপা এমপ্লোয়ীশিং ওইরম্বগী লিগেল রাইটনি। মরম অসিনা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী ওইদুনা চহী শাংনা সর্ভিস তৌরম্বা মীওইশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা মখোয়দা পীফম থোক্লিবা পেন্সনগী শেনফমশিং অসি নোংমা ফাওবা চোন্থদনা পীগদবনি হায়খি।

অমরোমদা, ম্যুনিসিপালিটি অসিগী ৱার্কর ১৪৮না হুগ্লি চিন্সুরা ম্যুনিসিপালিটি অসিগী মথক্তা ৱাকৎ অসি কোলকটা হায় কোর্টতা ফাইল তৌরকপদগী কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিসকী পাউখুম ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিরেক্টোরেট ওফ লোকল বোদিজগী মায়কৈদগী কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা পাউখুম (এফিদেভিট) অমনা ফোঙদোরকপদনা ম্যুনিসিপালিটি অসিগী মায়কৈদগী থবক্তগী পোত্থারবা মখোয়গী গ্রুপ দি এমপ্লোয়ীশিংগী অকূপ্পা রিপোর্টশিং পীখৎলক্তে। মরম অসিনা মখোয়না ফংফম থোক্লিবা পেন্সন অমসুং রিটাইয়র্দমেন্ট বেনিফিটিশিং পীথোক্তবনি হায়খি।

ৱাফম অসি তাবদগী কোর্টনা ম্যুনিসিপালিটি অসিদা চয়োল অমগী মনুংদা মরী লৈনবা দিরেক্টোরেট অসিদা দোক্যুমেন্ট পূম্নমক পীগদবনি অদুগা চয়োল অনীগী মনুংদনা ম্যুনিসিপালিটি অসিগী এমপ্লোয়ী পূম্নমক ‘রিদিজিগনেট’ তৌগদবনি হায়না খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, বেঙ্গল ম্যুনিসিপালিটি এক্টকী মতুংইন্না কুমজা ২০২১দা থবক্তগী পোত্থারবা ৱার্করশিংগী পেন্সন পীবদা মতেং পাংনবগীদমক ঈ-পেন্সন পোর্টেল হৌদোক্তুনা চৎনহনখিবনি। অদুগা অর্বান লোকল বোদিজ হ্যমেন রিছোর্স মেনেজমেন্ট সিষ্টমনা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্টতা হৌদোকখ্রবনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ৱার্কর ১৪৮না ফাইল তৌরকপা ৱাকৎ অসিগী হিয়ারিংদা কোলকটা হায় কোর্টনা চহী কয়া সর্ভিস তৌরম্লবা মতুংদা থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংদা পীফম থোকপা পেন্সনগী শেনফম পীদবনা মখোয়গী পূন্সিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি অমসুং থৌওং অসিমক ‘প্রিন্সিপলস ওফ ইক্যিটি অমসুং জষ্টিস’ খোঙ্গাওনবনি হায়নসু খঙহনখ্রে।

HL-B/9571/24,25,27,29

MECI
Medical & Engineering Coaching Institute
A Reliable Premier Institute Collaborated With Aiets, New Delhi

ADMISSION OPEN

1. REGULAR MEDICAL COURSE for NEET(UG) 2026
Eligibility :- XII Science Passed
Commencement of classes - 29th May, 2025

2. REGULAR ENGINEERING COURSE for JEE 2026
Eligibility :- XII Science Passed
Commencement of classes - 29th May, 2025

COURSE STRUCTURE :
(1) 6 months classes followed by 45 days Revision classes in Smart Classroom.
(2) Regular test on sunday within the classroom course
(3) Ultimate Test Series after the classroom course till NEET (UG) / JEE 2026
(4) Interactive chapterwise daily Practice sheet targeting NEET(UG) / JEE 2026
(5) Study materials for NEET(UG) / JEE prepared by AIETS, New Delhi
(6) Preference of opting separate section of RMC (medium of instruction - English)

FREE STUDENTSHIP :
(1) Class X 2022/2023 (HSLC) position holders or 90% marks or above in class X 2022/2023 (CBSE/other board)
(2) Class XII 2024/2025 (COHSEM) position holders or 90% marks or above in Class XII 2024/2025 (CBSE/other board)
(3) Selected students of **MECI Explorer Academy** of the session 2020-2025
(4) Scoring 450 marks and above in NEET (UG) 2024/2025 (for RMC) or 84 percentile in JEE mains 2024/2025 (for REC)
(5) Scoring 400 marks and above in NEET (UG) 2025 (for RMC) or 80 percentile in JEE mains 2025 (for REC) [For class XII 2025 passed out students]
(6) Scoring 300 marks and above in NEET (UG) 2024/2025 (for RMC) or 70 percentile in JEE mains 2024/2025 (for REC) for S.T. Category.

50% FEE CONCESSION
(1) Securing 85% marks in class XII 2025 (Physics, Chemistry & Biology / Maths)
(2) Securing 80% marks in class XII 2025 (Physics, Chemistry & Biology / Maths) for S.T.

FEE CONCESSION AVAILABLE FOR EX RMC / CMC / XII HOSTELLER 2024-25 SESSION

For more details :
contact office of MECI, Keishampat Mutum Leikai, Imphal between 7 a.m. - 6 p.m.

Come & Complete your dreams